**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী কৈশামপাৎ ফাওবগী তিদিম লম্বীদা থোকখিবা মীফা মীপুনগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা সু-মোতু কেস অমা লৌখৎখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনাশাবীগী চীংগা তাইনবা মফমশিংদা ভারত লান্মী অমদি মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপা ঙমলে।

৩) মণিপুরগী চীংগী জিলা ৫ য়াওনা জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি।

৪) জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা পনদুনা লৈরিবা য়ুরিয়া হারশিং অথুবা মতমদা চিংথোক্তুনা লৌমীশিংদা ফংহন্নবা তকশিল্লক্লি।

অমসুং

৫) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-হন্দক পাঙথোকখিবা পরিক্ষাশিংদা ক্বেইসন পেপর লিগ ওইবগী ৱাথোক সরকারনা কুপা য়েংশিল্লি।

------

কম্মিসন (এল)ঃ থা অসিগী ২৬ তা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী কৈশামপাৎ ফাওবগী তিদিম লম্বীদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.পি.সি.পি.আর)না সু-মোতু কেস অমা লৌখৎখ্রে।

মণিপুর পুলিসনা এয়ারপোর্টতগী হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইখিবা মীওই অমা ফাবগা মরী লৈননা মীওই অদুগী পীক্লিবা মচা অনিনা কপ্তুনা মপাবু থাদোকবা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভিদিও থাগৎলকপা থেংনবদগী কম্মিসন্না শু মোতু কেস অসি লৌখৎখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পীখৎলকবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি অমদি সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দাইরেক্তরদা কম্মিসন্না খঙহনখিবনি। কম্মিসন অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীওই অমা ফানবা হোৎনবদা পুলিসনা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিং এম.পি.সি.পি.আরনা খঙই।

কোন্থিং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনাশাবীগী চীংগা তাইনবা মফমশিংদা ভারত লাম্মী অমদি মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খ্ৎশু খুৎলায় ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা ইন্তেলিজেন্সকী পাউ অমা ফংবদগী হায়রিবা মফম অসিদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি। মদুদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ৫, তুয়েল্ভ বোর নোংমৈ অনি, লোং রেঞ্জ ইমপ্রোভাইস হেভি মোর্তার ৩, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল ১, আইতিটু এম.এম ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ বোম ৬, হেন্দ গ্রেনেদ ২, এ.কে. ফোর্তিসভেন, ইন্সাস মরু য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি। হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী পাঙলতাবী মমাং লৈকাইদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অদুবু অফা অপুনগী পাউদি লৈতে।

কাউন্সিল (এল)ঃ হন্দক পাঙথোকখিবা হায়র সেকেন্দরি ইম্প্রুভমেন্ট একজামিনেসন ২০২৪ গী ওরিজিনেল মার্ক ষ্টেটমেন্ট হয়েংদগী পীবা হৌরগনি। কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পরিক্ষা অসিগী ওরিজিনেল মার্ক ষ্টেটমেন্ট হয়েংদগী হৌদুনা মহৈরোইশিংগী ইন্সটিটুট্যট অমসুং স্কুলশিংদা পীথোক্লগনি। মরী লৈনবা ইন্সটিটুট্যটকী হেদশিংনা ওফিস অৱারদা লাক্তুনা কাউন্সিলদগী লৌবা য়ারগনি।

লোয়ননা প্রাইভেট কেন্দিদেটশিংগী ওইনসু হায়রিবা পরিক্ষা অসিগী ওরিজিনেল মার্ক ষ্টেটমেন্টশিং কাউন্সিল ওফিসতগী লৌবা য়ারগনি। লৌবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী এদমিত কার্দশিং লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

এদমিসন (এল)ঃ ইম্ফাল কলেজগী হয়েং পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা বি.এ অমদি বি.এ.সিগী ওপন কম স্পোট এদমিসন য়ৈথোক্লে। থা অসিগী ২৯ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না কলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বোর্দ (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট (ঐচ.এস.এল.সি) একজামিনেসন ২০২৪ কমপার্টমেন্টেল একজামিনেসন জ্‌লাই অনিদগী হৌরগনি। বোসেমগী একজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হন্দক পাঙথোকখিবা মেট্রিক পরিক্ষাদা সবজেক্ট ৬ মক থারগা য়াম্লবা সবজেক্ট অনি ফেল ওইবা মহৈরোইশিং কমপার্টমেন্টেল পরিক্ষা অসি থাবা য়াগনি। পরিক্ষা অসি থানবগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্মশিং ওনলাইনদা থাজিনবা য়ারগনি। পরিক্ষা অসি জ্‌লাই অনিদগী হৌরগা জ্‌লাই ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মহৈরোইশিংনা স্কুলগী মরী লৈনবশিংগা তান্নদুনা এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিল্লক্কদবনি নত্রগা বোসেমগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইট- ঐচ.টি.টি.পি.এস কোলোন দবল স্লাস পোর্তেলস দোট বোসেম দোট ইন-দা থাজিনবা য়াগনি। অমরোমদা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী ওইনদি এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী ফি লোইরোই হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা দিষ্টিক্ট অমদি সেসন কোর্টশিং শানবগীদমক মেমোরেন্দম অমা ঙসি মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলদা পীশিনখ্রে। চান্দেল বার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইন্সপেক্সন ওফ প্রপোজ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট চান্দেল হায়বা হিরম অসিগী মখাদা চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুল ঙসি চান্দেল জিলাদা লাক্কুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা জষ্টিস, অহন্থোম বিমোল সিংহ, জষ্টিস অরিবম গুনেশ্বর শর্ম্মা, জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলসিলু কবুই, লো কম্মিসনার অথোকপম নুংশিতোম্বী অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মখোয়বু চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটসু ওইরিবী সিভিল জজ চান্দেল মসানা পানমৈ, চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার, জিলা অসিগী এস.পি. হেমন্ট পান্দে য়াওনা কোর্টকী মীওইশিংনা তরামা ওকখি। তুংদা জিলা অসিগী কোর্ট কমপ্লেক্সতা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকবা মতুং মেমোরেন্দম অদু চান্দেল বার এসোসিয়েসন্না চীফ জষ্টিসতা পীশিনখিবনি।

মেট (এল)ঃ মণিপুরদা জিলা খরা- থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, সেনাপতি, উখ্রুল অমদি কামজোংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি। সেন্তের অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পুংদা সেন্তিমিতর ৭ তগী ১১ ফাওবা ওইদুনা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং জিলাশিং অসিদা চুগনি। মসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকবা য়াই। চীংগী জিলাশিংদা চীং নীংখায়বা, লৈনাং চেন্থরকপা য়াওনা মহৈ মরোংশিংদা অমাং অতা থোকপা য়াই। মসিদগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈবীনবা সেন্তর অসিনা আপীল তৌরি।

জিরিবাম (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৌউ থা হৌরবা মতম অসিদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা পনদুনা লৈরিবা যুরিয়া হারশিং হৌজিক ফাওবা লৌথোক্তনা ষ্টেসন অসিগী প্লেটফোর্মদা অদুমক থম্বনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদা চাউনা মাংজবা

ওইহল্লে। মসি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লৌথোকপীনবা ওল জিরিবাম লৌমী মরুপনা ফোংদোরক্লি। ৱাফম অসি ঙসি ওল জিরিবাম লৌমী মরুপকী জেনেরেল সেক্রেটরি মোংজম গান্ধিনা রেলৱে ষ্টেসনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- হৌজিক প্লেটফোর্ম অসিদা লৈরিবা হারশিং গাড়িদা হাপকৎপা হৌরে, অতৈ পুনবা গাড়িশিংসু লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি হায়না ত্রান্সপোর্টরগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি। নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অৱাবা মায়োকৈ হায়নসু ত্রান্সপোর্টরশিংগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি। অমরোমদা, মফম চাবদা গোদাউন অমা থম্বীনবা এগ্রিকলচর দাইরেক্তর অমদি কম্মিসনার য়াওনা সরকারগী মাইকৈদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোরকপদি লৈত্রি হায়না ত্রান্সপোর্টরগী মাইকৈদগী পেন্দবা ফোংদোরকপসু লৈরি হায়রি।

দিঙ্গো (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই কেন্দ্রগী খুঙ্গং খরদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ুরিয়া হার বেগ লিশিং ১,৫০০ য়েন্থোকখ্রে। সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি পুন্না খুঙ্গং ১৫ দা হারশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র অসিগী ওইনা অনিসুবা তাঙ্কক্কী হারসু অথুবা মতমদা লৌমীশিংদা ফংহল্লগনি। মহাকা হায়- সেকমাই কেন্দ্র অসি রেড জোন ওইবা মরমনা লৌবুক অয়াম্বা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থমদুনা লৌ পানবা ঙম বা হোৎনরি। মীয়ামা তৌবীদনা লৌউ শিংউগী থবক তোবীয়ু হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌবাল (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ লিংখৎখিবগী ১৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ মোইরাংথেম নরা, ব্রাঞ্চ অসিগী মেনেজমেন্ট কমিতিগী ভাইস চেয়ারমেন ডাঃ কে.এস.ঐচ মংলেমনচিংবা শরুক য়াখি।

ফোক্স (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স লৈনা লৈনা মীতৈ অমদি বিষ্ণুপ্রিয়াগী য়ুম অহুম মৈ থারম্বা তেরোরিজমগী হকচিন্না লৌই হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা হায়রি।

ফোক্স অমদি জিরিদা লৈবা ফোক্সকা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা রাজ্য অসিগী হোম বিভাগ অমদি মরী লৈনবশিংদা জিলা অসিগী বোরো বেক্রা সবদিভিজনদা সেক্যুরিতি মতিক চানা থমবা তকশিনখিবা লৈখ্রে। সরকারনা অথুবা মতমদা জিলা অসিদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহল্লকবা দাবী তৌরি।

ব্রাকৎ (এল)ঃ মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকউ হায়দুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী অপুনবা মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা ব্রাকৎ মীফম চথখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- জিলা অসিদা লৈরিবা মৈরাপায়বী লুপশিং পুনশিন্দুনা ঙসিগী ব্রাকৎ মীফম অদু থৌবাল ব্রাংম তাবদা লৈবা দেবী মান্দপতা চথখিবনি। মীফম অদু খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। মদুদা মশাগী খুল ঙাকচরিবা খুল ঙাকপশিংদগী খুৎলায় ফাবা য়ারোই, ঐখোয় শান্তি পাম্মী, মণিপুরদা অথুবদা শান্তি পুরকউ, মণিপুরদগী সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৌথোকউ হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা খোল্লাউশিং লাউখি।

মীফম (এল)ঃ জিলা অসিগী ইচম খুনৌদসু থোকচোম, বেঙ্গি অমসুং ইচম খুনৌ মৈরা পায়বী লুপনা শিন্দুনা ব্রাকৎ মীফম চথখি। ব্রাকৎ মীফম অদুদা নার্কো তেরোরিষ্ট মরু ফংনা মুখৎলশি, মণিপুরদা এন.আর.সি চৎননবা থৌরাং অথুবদা পায়খৎলু, মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরক্ত্রিবা ফাওবা তম্পাক্কী মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চথবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

হৈঙাং (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা লন্নাই লুপ, রাজনীতি দল অমদি মীওই কয়ানা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনদা অতমনা শিংনরক্লিবা অসি তোকপীনবা জোইন্ট কমিতি হৈঙাংনা আপীল তৌরি। কমিতি অসিনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অপুনবগী থৌদাং অমা চংই। কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা অমা সরকারদা পেন্দবদা সরকার অদুবু চৈবা, দল অদুবু চৈবা হায়বসিদি মহৌশাগী মচৎনি। অদুবু মীওই অমখক্তদা অতমনা শিংনরকপা অসিদি তৌফম থোক্তবনি। মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেন খক্তদা তাইনবগী মহুৎতা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মণিপুরদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা থৌদাং য়ামিন্নশি হায়নসু মখা তারি।

ডে (এল)ঃ হেলেন অদাম কেল্লরগী ১৪৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি তাকয়েলদা লৈবা আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুল গোল্ডন জ্‌বিলি সেলেব্রেসনগী কমিতি তাকয়েল অমদি সি.আর.সি.এস.আর.ই ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

পালন থৌরম অসি তেরা ৱাংথোনবী লৈকাইদসু পাঙথোকখি। রিলিফ সেন্তর ফোর দ ৱেলফ্যার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হেলেন অদাম কেল্লরগী ফোতোদা মীয়ামা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

লোক সভাঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-হন্দক পাঙথোকখিবা পরিক্ষাশিংদা ক্বেইসন পেপর লিগ ওইবগী ৱাথোক সরকার অসিনা কুপা য়েংশিল্লি। মসিদা চেন্নরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি। লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা পরিক্ষাশিং অসি তশেং তশেংনা পাঙথোকবা সরকার অসিনা হোৎনরি। অদুবু রাজ্য খরদগী পরিক্ষাদা অরানবা তৌবগী ৱাকৎ কয়া লাক্লি। মসি সরকারনা কুপা য়েংশিনগনি।

সংসদকী অপুনবা মাফমদা ঙসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ৱা ঙাংবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা হীরম কয়াদা মালেমগী

অতোপ্পা লৈবাক্তগী হেন্না খুমাং চাউশিল্লি। লোয়ননা লৈবাক অসি হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা হীরম কয়াদা হোৎনবগী থৌদাং পুন্না লৌমীন্নবা তঙাইফদে।

অমরোমদা, রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি সভা অনিমক্কী মীফমদা পীখিবা ৱারোল অদু সরকারগী অফবতমক হায়রগা লৈবাক অসিদা শোত্থরিবা হীরম কয়া অমা নাথৈরে হায়না কংগ্রেসকী এম.পি. তারিখ অনৱারনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোংদোকখ্রে। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস য়াদবনসু থবক ফংদবগী সমস্যা, লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অমা নাথৈদুনা থমলে হায়না মরাল শিখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.এস.এ ককচিংদা চত্থরিবা ২০ শুবা কে.কে মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এফ.সি শুগনুনা জে.এ ককচিংবা পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

কাং(এল) ঃ অহানবা ককচিংতবম কুঞ্জবিহাররি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্ততা ওইনাম কেন্দ্র ফাইনেল চংলে। ঙসি শান্নগদবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ লাক্তবদগী ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাঙ্কওভর ফংদুনা ফাইনেল চংখিবনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০ দা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ শান্নরগনি।

বোল (এল) ঃ লমলোং থোংখোঙগী আর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহুমসুবা অম্ফা কপ ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকামপাৎনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ দিভপলমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই.দি.ও)না এফ.সি ইম্ফাল সিতিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

পোনি (এল) ঃ    ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অহানবা রাজ্য থাক্কী মেন্স ওপন পোলো তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পোনি কেয়ার সেন্তর কুম্বী-বিনা তেন্থা পোলো ক্লব-এবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা তেকচম পোলো ক্লব বিনা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লুপ হৈঙাংবু পাঞ্জল ৯-৪ দা থোইখি।

------